# ‘মীতৈশিংগী তুংগী লাইবক’

**ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি**

**উশম ধরমেন্দ্র**

কয়াম কুইনা অসুম্না হিংখিগনি হায়বা ঙমদে। পীল্লবা ইরমদম মণিপুর, মীতৈশিংগী হৌরকফম নুংশিরবী ইরমদম অসিদা রিফ্যুজি ওইরে মীতৈশিং। লোইজি-লোইয়া, চীংয়া-তময়াদা হিংলিবা মীতৈশিংগী পূন্সি তংদু-লৈতাদে, তুম্ফম-চাফম খঙদে, কুকি খুলশিংগা থংনরুবা-নক্নরুবা মীতৈ খুলশিং ঙাইহাক লৈতনা অখাক-অরাউ নংলি। কয়া অমনা পাক্তক্লনা য়ূম-কৈ মৈ থাদোকপীখিদুনা খুন্তাক লানশিরে। রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরে। অসুম্না লাঞ্জেন্নদুনা অমদি তৌফম খঙদনা লৈরক্লিবা অসি থা তরেৎ হেনখ্রবনি। থা তরেৎ মশাগী লৌরি-য়ূম্ফম থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নবা হায়বসি হায়বদবু লায়রবা ওন্থোকপা অৱাবগী মতৌনি হায়ফম খঙদবা। মমাঙদসু অমুক্তা থোকখিদ্রিবা, তুংদসু অমুক হন্না থোকহন্নীংদ্রবা অমদি ঙসি নংলিবা অৱাবসিসু থুনা ফদুনা মহৌশাগী পূন্সি ঈচেলদা করম্বা মতমদা হল্লক্কনি হায়দুনা লাইনীং ওইদুনা লৈরবা, ইশাগী ইয়ূমদা লৈবসিদগী হেন্না নুংঙাইবসিবু কৈদা লৈবগে অদুননি হোম স্বিট হোম হায়নরিবসি। অদুবু নুংশিরবা, নুংঙাইরবা থিরবসু ফজরবসু পূক্নিং ৱাখল লৈতানা পোত্থাফম ওইজরিবা ইয়ূমদা লৈজবা ফংদবা হায়বসি খ্বাইদগী অৱাবা অমনি।

নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা নমদুনা থোকহনবা লান অসিনা হীরম খুদিংদা অৱা চৈথেং পীদুনা শোকহল্লি। মখোয়না সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবনি। মণিপুর লৈঙাক্কী মথক্তা অকন-অরিং শীংনদুনা থবক তৌবনি। লৈবাক্কী আইন থুগাইবনি। কুকি-জৌ ফূরুপ্না নম্না তাবা লমশিংবু মখোয়গী লমনি মণিপুর লৈঙাক্কা মরী লৈনদে হায়দুনা ক্লেম তৌই। হৌজিক্তি ফীভমসি য়াম্না লুশিল্লক্লে। মীতৈ মী অমত্তা কুকি কাঙলূপকী মীওইশিংনা তাবা মফমশিংদা লম্বী-লম্মাংনদুনা হেক চঙশিল্লুবদা ময়ূমদা হল্লকপগী ৱাফম লৈত্রে। কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা মীনুংশি য়াওদনা হাৎতোকপীখিবগী ৱারীতনি তানরিবসি । মীচম মীয়ামদি তোকখ্রদনা লৈঙাক্কী মকোক থোংবা মিনিষ্টর/এম এল এ ফাওবা খোঙদারুবা ঙমদ্রে। মখোয়না খুন্দারিবা মফমশিংদা ষ্টেট এদমিনিষ্ট্রেসন অসি পুরা লৈতবগুম্লে। মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবতা তৌদুনা লৈরে। মদুদা য়াম্না ঙক্লিবদি মণিপুর লৈঙাক্লা লৈঙাক অমা লৈরি হায়না মতিং ফুদোক্লা থবক তৌবা ঙমদবসিনি । মখোয়না মতিং লৈনা থবক তৌরক্তুবনিনা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌদুনা লৈরে। তন্নীংবা দিমান্দ তান্দুনা লৈরে। লমদমসি আইন লৈতবা, মপূ পান্দবা মফম অমা হায়বদু তশেংনা ওইহল্লে।

মণিপুর হায়বসি লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপ, ফূরুপ ৩৫সিগী লমনি। মসিদা কুকি-জৌ ফূরুপকী অকক্নবা লম লৈতে। লৈফমসু থোক্তে। নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা পাউচেদা থেংনখি কুকি-জৌ ফূরুপকী লম জিরিবাম, মোরে, ক্বাথা, ইঙৌরোক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্কা শান্তিগী ৱারী শানরিবা লালহৌলূপ অমগী দিজিগ্নেটেদ কেম্প লৈবা য়ারোই হায়দুনা। মসিদা হংনীংলিবদি কুকি-জৌগী ওর্গনাইজেসনসিনা করি হক লৈদুনা ৱাফমশিং অসি ফোঙদোক্লিবনো হায়সিনি। মণিপুরদি মণিপুরদা লৈরিবা ফূরুপ খুদিংমক্কীনি, কাঙলূপ ফূরুপ অমত্তগী লম নত্তে। আইন চৎনরিবা লৈবাক অমগী লৈঙাক্লা চত্থরকপা থবক য়ানীংদ্রবদি মদুগী মরম পীদুনা লো কোর্টতা চৎকদবনি। মদু নত্তনা আইনবু মখূৎতা পায়শিল্লগা হুকুম তৌবগী হক মখোয়দা লৈতে। ফূরুপকী মীওইশিংনা চঙশিল্লকপা খুন্দাশিল্লকপসু কুইদ্রিবা মফম ঙাক্তনি।

ইরমদম মণিপুরসি মীতোপশিংনা অসুম অসুম লোন্না থুপ্না চঙশিল্লক্তুনা মীতোপশিংনা ঈচাউ থোক্লে। শাংলবা কিলোমিটর ৩৯৮ ম্যান্মারগা মণিপুরগা তাইনরিবা ঙমখৈ পরিংশিং নীংথিনা ফেন্সিং তৌদনা অদুমক লাক্লি। মসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী করি অরোনবা পোলিসিনো। ইন্দিয়াগা পাকিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈদি চেকশিন্না ঙাক শেল্লি। মণিপুরগা ম্যান্মারগা তাইনবা মফমসিদনা করিগী হিকোম হিকোম থাদোক্লিবা। মসিনা মরম ওইদুনা অতৎ-অখম লৈতনা আইন কাইনা চংশিল্লকখিবা মীতোপশিং ম্যান্মারদগী মপূং ওইনা হাইজিল্লকখিবা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিং অসিনা ঙসিদি ইরমদম মণিপুর অসিদা লাই শারে। মখোয়না নম্না খুন্দারিবা মণিপুরগী মফমশিং লাকপা কুইদ্রিবা মখোয়না মখোয়গী মপা-মপুগী লম এন্সেষ্ট্রেল লেন্দনি হায়না ফাওবা হায়জিল্লক্লে। মণিপুরগী লম মচেৎ তানা ফক্তোক্তুনা মখোয়গী হোমলেন্দ তান্নবা হৌরক্লে। শীংনবা ঙাক্তনি লাক্লিবসি মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমদা। মীতৈশিংনা অপূনবগী শক্তমদা অসুম শাগৎনবা হোৎনবা শীংনবশিংবু থেংনদুনতা অসুম লাকপা মসিনি শাংলবা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পুল্লবা মতুংসিদা ঐখোয়না থেংনরক্লিবসি। মতাংসিদা পঞ্জনীংবদি মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফূরুপ খুদিংমক্নসু মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম শাগৎমিন্নগদবনি। অপূনবগী শক্তমদা শীংনরকপশিংবু পূন্না থেংনমিন্নগদবনি।

নার্কো কুকি-জৌশিংনা পাল্লিবসি মণিপুরগী লৈহাও চেনবা চীংগী চীংমাইশিংদা পোপী পান্বী পাক শন্না থাদুনা দ্রগ লল্লোনবগী থবকসিদা খুমাঙ চাউশিন্না মণিপুরসিবু অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল অমা ওইনা শেমগৎপনি। মখোয়না চঙশিল্লকপা দ্রগকী করবারসিদা অথিংবা পীরকপা পূন্নমক নার্কো কুকি-জৌশিংগী য়েক্লবনি। মখোয়না নমদুনা থোকহনবা লান অসি থিংনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা অকনবা থবক করিসু পায়খৎতনা লৈরি। মণিপুরগী লৈরিবা এম পিশিংনা পার্লিয়ামেন্টকী সেসন্দা পুখৎতুনা অথুবা মতমগী মনুংদা মণিপুরদা শান্তি হঞ্জিলহল্লু হায়দুনা মথৌনা লৈনা লাউবগী ফীভমসু উদে। মচিন থোক্তনবা ফিবুল নম্বগুমখ্রে। লৈঙাক পায়রিবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মকোক থোংবা লুচিংবশিংনা ৱা ঙাঙগনু, ঐখোয়না থোকপা তৌগনি হায়বগী মতৌনি। অমরোমদা মণিপুর ষ্টেটকী লৈঙাকপশিংনা লানগী জহাজ অমবু ইম্ফাল থোল্লে অমসুং অন্দমান নিকোবরগী মাউন্ট হেরিএটপু মাউন্ট মণিপুর থোল্লে হায়দুনা পেন্থোক্তুনা লৈরি। অমুকসু হন্দক পাঙথোকখিবা ষ্টেট মঙাগী বিধান সভা মীখলদা ছটিসগর, রাজস্থান অমসুং মধ্য প্রদেশকী মীখলদা বি জে পিনা মায় পাক্লে হায়দুনা হরাউ মথোই কারি। লোয়ননা লাক্কদৌরিবা লোক সভাগী ভোট খোম্বসু হৌগৎলি।

নাকল অমরোমদা ইরমদম মণিপুরসিদা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈশিং নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংগী হুরান লান্দাদা নোংমা নোংমগী থৱায় মাঙশিল্লক্লি। খামেনলোক্কী লানফমদা মখুল ঙাকপা মীতৈ অথৌবা মীওই ৯ থৱায় থাখ্রবা মতুংদা মখূৎ চল্লবা মীতৈ নহা ১৩বু কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা তমথীনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী লৈথাও কুকি খুনদা হাৎতোকপীখ্রে। লমদমসি মমা ওইবী কয়াগী পেন্দবগী খোল্লাওতনা পীক থল্লে। মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লে। ঈগী লমন ঈনা শীংগনি হায়বা খোল্লাওনা মায়কৈ শিনবা থুংনা নিল্লক্লে। অৱাবনি ইরমদম। ইরমদমসিগী লাইবক করম থোক্লগাবা। লান খামগদবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরি মণিপুরগী ইস্যু অসিদা। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈবা ষ্টেট অমা নত্তবরা? ৱাহংসিনি মণিপুর মীয়াম্না হংনদুনতা লাক্লিবসি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা তৌথোরক্লিবা মতৌ অসিদি হাৎনীংবমখৈ হাৎনজৌ, শিনীংবা মখৈ শিনজরো হায়বগী ফীভমনি। অমুকসু য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগী কোক্তদি কুকি-জৌ ফুরপকী মীওইশিংনা মণিপুর মচেৎ তাহল্লগা মখোয়গী হোমলেন্দ শেম্বদা করিসু মাঙজবা, তোংজবা লৈতে খল্লমগনি। করিগুম্বদা ইন্দিয়াগী লমগী শরুক অমা তোঙান্না নীংতম্না লৈজখ্রগে হায়না লালহৌ হৌরকপদদি অঙম্বা শক্তি পুথোক্তুনা মদুবু থিংনবা হোৎনরক্কনি।

মালেমসিদা দেমোক্রেসি চৎপা খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বা লৈবাক্তি হায়না ইন্দিয়ানা চাউথোকচরি। অমুকসু ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মালেমগী মশক নাইবা লুচিংবা অমনি হায়না য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা চাউথোকচরি। মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মীওইশিংনা পোঙজরি। মতাংসিদা ইন্দিয়াগী মনুংদা লৈরিবা মণিপুর অসুক থৌওইবীদনা মীৎয়েং চঙবীদনা নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা থম্বীরি হায়বসি মালেম পূম্বদা খঙহনবা মথৌ তারকই। মসিদনি মীতৈ পূম্নমক কোক চুংশিন্নদুনা মালেমগী লৈবাক শিনবা থুংনা মীতৈশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি মমুৎ তানা খঙহনবা ঙম্বা লুচিংবশিং খঙদোকপগা লোয়ননা লুচিংবশিংদুবু অমত্তা ওইনা শৌগৎফম থোকই। ইন্টরনেসনলগী ফোরমশিংদা মণিপুরদা মীতৈশিংনা ৱারিবশিংসি মরীক চুম্না খঙহনবা ঙম্বা লুচিংবশিংদুগী মতেংনা লান্দে হায়বদু মালেমগী মীয়াম্না খঙগদৌরিবনি। মতাংসিদা মীতৈ চনু লিসিপ্রিয়া কাঙুজম্না লৌরিবা থৌদাং য়াম্না চাউই। ইন্দিয়াগী মফম খুদিং চৎতুনা অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী লুচিংবশিংগা উনদুনা লানসিগী মতাংদা অচুম্বা পুথোক্তুনা মমিৎ-মমায় পাংহল্লিবা মহেশ্বর থৌনাওজম মীতৈ মীয়াম্না থৌনা হাপ্পীফম থোকই। অসিগুম্বা চঙ থোকপা মীতৈ মচাশিংসিনা মালেমগী মীয়ামদা অচুম্বদু খঙহন্দুনা ঙসিদি মীতৈ লান্দে হায়বদু খঙনরক্লে। খৃষ্টিয়ানিতিগী মিংদা, মাইনোরিটিগী মিংদা শান্নরম্বা কুকি-জৌশিংগী ওইদ-পাদবা লীলা ময়াম ঙসিদি শবাক ফাক্লক্লে। অচুম্বতনা মায় পাকই হায়বদু উৎলক্লে।

লোইশিল্লকপদা, মশাগী হৌরকফম মণিপুরদা মীতৈশিং রিফ্যুজি ওইরি। থা তরেৎ হেনখ্রবা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা থোকহনবা লান লোইশিনবগী মমি উদ্রি। মণিপুরগী মীতৈশিংগী অৱাবা মপাউ, লমদমসিদা থোক্লিবা লান অসিগী মতাংদা য়ুনিয়ন লৈঙাক তান্নবা পার্লিয়ামেন্টতা লাউবা ঙম্বা মণিপুরগী লুচিংবশিং থোরকপা লৈত্রি । য়ুনিয়ন লৈঙাক্লসু খঙনা-খঙনা, উনা-উনা খঙশিন্নদনা-উশিন্নদনা মণিপুরগী লানগী মতাংদা লোন্না কুম্মৈ য়েংলি। মীশি মীনাগী মশীংদি নোংমা নোংমগী হেনগৎলক্লি। মণিপুরগী মীতৈশিংগী তুংগী লাইবক করি ওইগদৌরি? তম্বা ঙমদবা ফীভমদা লৈরি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মওং-মরীল তানা লান লোইশিনবীরম্মু - ১

**- য়েংখোম মোধুচন্দ্রা -**

মে ৩, ২০২৩দগী চিন-কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈগী মথক্তা চত্থরক্লিবা লানসি থা ৭ হেল্লে। থা ৭সিগী মনুংদা বি জে পিনা লুচিংবা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা তৌরিবা মওং অসিদি মণিপুর মীয়াম মরু ওইনা মীতৈ-মৈতৈ, মীতৈ পাঙল, কবুইনচিংবা ফূরুপ অয়াম্বনা অপেনবদি ওইদ্রে। কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈগী মথক্তা চত্থরকপা তমথীরবা লানগী মথক্তা ওগষ্ট ৩০, ২০২৩দা কুকি এম এল এ ১০না লানগী খোঙফম হন্দোক্লোই হায়খিবা অরাইবা নত্তে। খন্নরিঙৈদা তেঙ্গোল তুল্লে, হুকুম ঙাইরিঙৈদা মরূনা পাল্লে। অনী থোকপীদগী তরা থোকপীদা লাক্লে, পান্দমদি অমখক্তনি।

মমা ওইবী কয়ানা থা ৭ অহিং নুংথিল লেংশিল নাইদুনা লম্বী সড়ক্তা ঙাক শেল্লিবশিং ইমা লৈবাক মণিপুর কায়বা য়ারোই হায়বগীনি। মসিগী মমল ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা খঙবীদে। থিবা খঙদনা লৈরিবা মীওইশিং পুথোকপা ঙমদ্রি। মহৈরোয় অনী হিজম লিন্থোইঙম্বী, ফিজম হেমঞ্জিৎ মখোয় অনীগী কেস এন আই এনা পায়দুনা মীহাৎপদা চেন্নবশিং ফাগৎখিবা নুমিৎ ফনা য়াম্লক্লে। অদুবু মখা তাবা ৱাফম অমত্তসু মীচম মীয়ামদা শিনি-শানি খঙহনবসু লৈত্রি। মাঙখ্রিবা মীওইশিং মহৈরোয় অনীসু কুকি টেররিষ্টশিংনা থোংলগা চাথোকখ্রবরা! অমবু ওইরে, অমবু ওইরে তং তাবা ৱাফম অদুখক্লি মীয়াম্না পাল্লিবদি।

ষ্টেট লৈঙাক্লা তপ্না -তপ্না শান্তি লাক্লে হায়রি মীয়ামদা। অদুবু কুকিগী লানদি তপ্না-তপ্না হেনগৎলক্লি। নবেম্বর ৪, ২০২৩দা কাংপোকপীদা কুকিশিংনা মখোয়গী লান থা ৬ ফারকপগী কেন্দল থান্দুনা হরাও নুংঙাইবা ফোঙদোকই। মোরেগী এস দি পি ও চিংথাম আনন্দকুমার হাৎখ্রবা মতুংদনি, কুকিশিংনা মোরেদা মখোয়গীতা ওইনীংদুনা, মোরেদগী ষ্টেট ফোর্স, পুলিসশিং লৈবা পামদবদগীনি অদুবু এস দি পি ও হাৎখ্রবা মতুংদা মৈ হৌনা শাওরবা ষ্টেট ফোর্স, কম্মান্দোশিংনা মোরে তম্না লাকপদা তেংনৌপলদা কুকিশিংনা থিংবা ঙম্বা! ষ্টেট লৈঙাক্লা এস দি পি ও হাৎপা মীওইদু ফাবা ঙমদ্রিবা ফাওবা মোরেগী মফম পূম্বদা কোম্বিং ওপরেসন চত্থগনি হায়খিবা থাগৎচরি।

মৈ হৌনা শাওরবা ষ্টেট ফোর্সনা মোরে তম্না লাকপদা সিনাম খুল মনাক্তা কুকিশিংনা এম্বুশ তৌরক্তুনা পর্সনেল ৩ শোকহনখি, মোরেগী কোম্বিং ওপরেসন্দা ষ্টেট ফোর্সশিংদা কুকিশিংনা সনা, লুপা লুট তৌবীরে, নুপীশিংদা মীওৎ মীনৈ চত্থরে হায়দুনা মরাল শীখিবা, আর্মি ওফিসর অমনা য়াখিদে। নবেম্বর ৪, ২০২৩দা মোরে তম্না চংখিবা ষ্টেট ফোর্সশিংবু সিনাম খুল মনাক্তা কুকি টেররিষ্ট লাম্মী ৪০ রোম্না থৎলগা হলহনবা, ইফোং ফোংনা শীংনরক্লে। মসিদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্লা করম্বা এক্সন লৌখৎকনি, মীয়াম্না ঙাইরি।

মে ৩দগী চত্থরক্লিবা লানসিবুদি অকক্নবা মতম লেপত্রবসু তপ্না-তপ্না লোইদি লোইশিনখিনি। ৱারোইশিন পুরকপদা মীয়ামগী অপেনবা ওইদ্রবদি হেন্না শাথীবা মণিপুরদা লান ওইরক্কনি। থা ৭ ফারক্লবা লানসিগী থৌওং পেন্দবদগী মহৈরোয়গী লূপ চোংথোরক্লিবা অসি অরাইবা নত্তে। মখোয়গী তুংগী ওইরক্কদবা অমসুং তুংগী লাক্কদৌবা মীরোলশিংগী খল্লগা চোংথোরকপনি। মণিপুরগী বি জে পিগী প্রসিদেন্টনা রিলিফ কেম্পতা পোকপা অঙাংশিংবু মীনুংশিগা লোয়ননা ইপান থাখিবগী থৌরম পাঙথোকখিববু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুবু ইপান থারিবা অঙাংশিংদুনা মশাগী চহী ১৮ শুরকপা মতমদা মশাগী পূন্সিগী হৌরকপগী ৱারী খঙলকপা মীকুপ্তা করি ওইগনি। মমিৎ অনী চেজেৎ উইশিনগনি, মচিন ময়া ক্রক-ক্রক চিক্কনি, মখূৎ অনী খূতুম চেৎনা পায়শিনগনি, মশাদু থক-থক নিক্কনি, মীওইদুনা খল্লমগদৌবা ৱাখলদো করিনো কনানা খঙবা ঙমগনি।

খুল ঙাকপদা কুকিগী নোংমৈ মরূনা পানবদগী লৈখিদ্রবা কম্মান্দো, আই আর বি, খুঞ্জা ময়ামদুগী মচা অপীকপশিংনা চাওরক্তুনা মশাগী শারেপ ফারকপদা করি ওইগনি মখোয়দা। মে ৩দগী থোক্লকখিবা লানসিগী পুৱারীগী ৱারীদি মালেমসিদা মীওইবা ফূরুপ্না লৈরিবমখৈ লৈহৌরগনি। মণিপুরগী এসেমব্লিগী রুল্লিং, ওপোজিসনগী এম এল এশিং নাথৈদুনা লৈহৌবা য়ারোই। শিখিবা মীচম মীয়াম, শোকখিবা কয়া, ষ্টেট ফোর্সশিং থৈদোক্তুনা থল্লম্বা য়ারোই। অহৌবগী শরুক্তা অশোয়বা অরানবা কয়া, মীয়ামগী পূক্নিং পেলহনবা ঙমখিদ্রবসু অরোইবা শরুক্তদি তুংগী লাক্কদৌরিবা মীরোলগী খনবীরগা সনাগী ময়েক্লা ইদুনা ঐতিহাসিক ওইহৌরগদবা লানসিবু মওং-মরীল তানা লোইশিনবীরম্মু। ●

# উপাল-ৱাপাল থাজিনবগী কান্নবশিং

**- জৈনুল্লাবুদিন নোংজাইময়ূম -**

মতম অমদা ঐখোয়গী অনকপা অমদি অথাপ্পা মফমশিংদা উপাল-ৱাপালশিং মরাং কায়না হৌরম্মী। মতমদুদা নৌনা উপাল-ৱাপালশিং থারুদ্রবসু য়ারম্মী। অদুবু ঙসিদি ঐখোয়গী অনকপা অমদি অথাপ্পা মফমশিংদা উপাল-ৱাপালশিং থোইনা লৈরক্ত্রে। মরমসিনা ঙসিদি ঐখোয়না ঐখোয়গী অহাঙবা মফমশিংদা উ-ৱা নৌনা থাজিনবা তঙাইফদ্রে।

উপাল-ৱাপাল, উমং-ৱামং মাঙশিল্লকপসিনা ঙসিদি অঈং-অশাগী খলসু কায়হল্লে। মালেমগী ওইনসু শাবগী চাং চহী-চহীগী লেপ্তুনা হেনগৎলকপা ঐখোয়না থেংনরি। নুংশাগী মৈশা খাংবদা ৱানরে। নোং চুবগী চাং অমদি মতম কায়রে। ঈশিং-ঈচাওগী মওংসু কায়দুনা লাকই। লোয়ননা মীওইবশিংনা নুংশা শ্বর হোনজিনবদা চংবা অশেংবা নুংশিৎ ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংলক্লরোইদ্রা হায়না মালেমগী অখঙ অহৈশিংনা মীপাইনরে।

উপাল-ৱাপালশিং লৈরক্তবদগী লমলক্কী শা-উচেকশিং মূৎখিবা য়ানা লৈরিবনি। উমং-ৱামংগা শা-উচেকশিংগা য়াম্না নক্লবা মরী লৈনৈ। অমনা অমদা তাংজনৈ। শা-উচেকশিংবুসু ঐখোয়না নুংশিবীগদবনি। উমং-ৱামং, উপাল-ৱাপাল য়াওদনা মীওইবা অমদি শা-উচেকশিংনা নুংঙাইনা পূন্সি শাংনা লৈবা ঙম্লক্তবা য়াই। উপাল-ৱাপালশিং লৈশিল্লক্তবদগী অঈং-অশাগী খল কায়থরকপা কয়া অসিনা মরম ওইরগা মীওবনা মালেম তাইবঙদা কুইনা শাংথনা হিংদুনা লৈবা ঙম্লরোইদ্রা হায়না মালেমগী অখঙ-অহৈশিংনা ৱা তানবা হৌরে।

মরম কয়াসি লৈবনা মতম শাংনা নুংঙাই-য়াইফনা মীওইবশিং য়াওনা থৱায় পানবা অতৈ জীবশিং, শা-উচেকশিংনা লৈবা য়ানবা ঐখোয়গী অকোয়বগী অহাঙবা মফমশিংদা উ-ৱা থাজিনবা অসি য়াম্না তঙাইফদবা ওইরে। উপাল-ৱাপাল অমদি অশং-অমানগী পান্বী মনা-মশিংশিংনা ঐখোয় মীওইবদা অফবা অশেংবা নুংশিৎ ফংহল্লিবনি। উ-ৱা থাবগী থবকসি তুংগী মীরোলদসু য়াম্না কান্নহৌগদবা অমনি।

উপাল-ৱাপাল, অশং-অমানগী পান্বীশিং থাজিনবগী কান্নবদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। মরমসিনা চেকশিন্না ইশা-ইশানা থারিবা উ-ৱাগী চারশিং পান্বীশিং থুনা হৌনবা, থুনা মপূং মরৈ ফানবা কন্না হোৎনগদবনি। ঐখোয়না অঙাং অমা পোকপগা থুনা চাউনবা লায়না তীলনা চেন্দনবা মশা ফনবা হোৎনবগুম, থাখিবা উ চারাশিং অদুসু তোয়না য়েংশিন্দুনা থুনা চাউনবা কন্না হোৎনফম থোকই। মরমদি কনাগুম্বা মীওই অমনা অতোপ্পা মীওইবা অমদা কান্নবা (মতেং) পীবা ঙমদবা মীওইবদি লৈরম্বা য়াই। অদুবু উপাল-ৱাপাল অমনা তাইবঙ মীওইবশিংদা কান্নবা পীদবদি লৈতে। মরমসিনা থাখিবা উপাল অমা থুনা চাউহল্লবদি উপালশিংগী উরুম থুনা তাংবা ফংগনি। অৱা পোত্থাবসু য়ারগনি। অশেংবা নুংশিৎ ফংলগনি। অঈং-অশাগী খল কায়দনা থম্বদসু চাউনা মতেং পাংলগনি।

কাঙলূপ-ফূরুপ য়েক্নবা মরুপ খায়দনা লাক্কনি নোংমদি নুংশাগী মৈশাদা উপালশিংগী উরুম তাংবা। অহাওবা উহৈসু চাখিনি, অথুম্বা উহৈসু পুদুনা চৎখিনি। মখোয়না হায়গনি কনানা থারিবা উপালনো ওন্থোক্লা ঈংখ্রেদা, নুংঙাইখ্রেদা উপালশিংগী উরুমসি কয়াদা হাওখ্রবনো, উপালশিংগী উহৈশিং অসি কয়াদা ফখ্রবনো, লৈকায় লমদমসিগী মীওইশিং অসি মখোয়না থাগৎলমগনি অমদি অফবা ওইসনু শোয়দনা হায়রমগনি, তাইবঙ মপুগী মায়কৈদগীসু অফবা মহয়সু শোয়দনা পীবীরকপা য়াই।

অদোম অতোপ্পা মীওইশিং ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা উপাল-ৱাপালশিংগী উরুম তাংবীরম্লগনি। অঈংবা উরুম তাংবগী নুংঙাইবা অহাওবা অথুম্বা উহৈশিং চাবগী মহাওসু খঙবীরম্লগনি। ঙসিদি ঐখোয়না থাবা মনা পূংবা, মসা-মরেং য়াম্না শন্দোকপা উপালশিংগী উরুম অতোপ্পশিংদা তুংগী ঐখোয়গী ইচা-ইশুশিংদা তাংহল্লমসি। অহাওবা উহৈসু পীজরসি, থম্বীরল্লসি ঐখোয়না মখোয়গীদমক হরাওজসনু মখোয়সু । মসিসু মীওইবনা মীওইবদা পীবা অচৌবা খুদোল অমনি। মসিগী মহুৎ তাইবঙ মপূনা মহয় (শৱাব) ওইনা পীবিগনি হায়। উপাল-ৱাপালশিং য়াওনা অতৈ অতৈ মীওইবশিংদা তুং কোইনা কান্নবা য়াবা পোৎলমশিং থম্বীরম্বা মীওইশিংনা শিখ্রবসু মখোয়না থল্লম্বা পোৎলমশিংদু লৈরিবা ফাওবা লেপ্তুনা মহয় (শৱাব) ফংগনি হায়রি।

মরমসিনা ঐখোয়না অতোপ্পশিং অমদি তুংগী মীরোলশিংগীদমক উ-ৱা থাবীরমসি। পৃথ্রি, গুহা তৌরমসি। ঈথৈ-লৌখোং, লম্বী-থোং শেম্লমসি। লেপ্তুনা মহয় ফংনবা মসি ফজবা লমচৎ চৎপগী খুদম অমনি। ফজবা লমচৎ তাইবঙ মপূনা য়াম্না পাম্মী হায়। ঐখোয়না ঐখোয়গী য়ূম অমদি য়ূমগী নাকলদা, য়ূমগী অকোয়বদা উপাল-ৱাপাল, হৈপাল মচা-মচা, হৈ-লৈসু থাজিনবীদুনা ঐখোয়গী য়ূম-কৈনচিংবা ফজহনবতা নত্তনা অশেংবা নুংশি ফংদুনা নাদ-য়েক্তনা, ৱাখল নুংঙাইনা লৈবদা মতেং ওইগনি। য়ূম অমদি য়ূমগী অকোয়বদসু হৈ-লৈ পান্বী মচা-মচাগী গল্লাশিং থম্বা ফৈ। করিগুম্বা উপাল অমা য়ানগে খল্লবদি তরেৎ-তরা থোক্লা মুন্না খল্লগা তঙাইফদবা অদুগী য়ানবা য়াই। অদুগা উপাল অমা থাজিনগে নীংলবদি খুদক্তা থাগদবনি। মরমদি উপাল-ৱাপাল, অশং-অমান উমং-ৱামংগী কান্নবদি থাদুনা লোইবা নাইরোই। ঐখোয় মীওইবা য়াওনা থৱায় পানবা জীব খুদিংমক ঐখোয়গী অকোয়বদা লৈরিবা মহৌশাগী তাইবঙ মপূগী খূৎশেমশিং অসিনা ঙাক শেনবীরিবনি। ●

# মীতৈনা লান লেপহনগনি - ১

**- সিনাম লুখোয় মৈতৈ -**

মে ৩দগী কুকিনা মীতৈগী য়ূম খল্ল-খল্লগা মৈ থাবীবা, মীতৈবু খল্ল-খল্লগা খৎনবা হৌরিবা, মীতৈবু খল্লগা হাৎলিবা, খোংজাই কুকিগী খুল ফাওরগা লম্বীদা চৎপা গাড়ী খাম্লগা মীতৈ য়াওবরা হায়দুনা মীতৈ থিরিবা অসিদবু ইন্দিয়াদা লান তৌরিবনি হায়বা অসিদি হুরানবশিংগী হৈনবী পাউখুম্নি। শেংনা হায়রবদা হন্দক্কী লান অসিদি ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী সিফাইশিংগা লমদম অসিগী চীংমী-তম্মী য়েলহৌমীগা নুংশি-চান্নবা শারম্বা কুমজা ১৭০৯দগীনা ১৭৪২ ফাওবগী মনুংদা চংলকখিবা খোংজাই কৌবা গ্রুপ অসিগা হৌজিক্কী কুকি কৌবা গ্রুপ অসিগা খূৎশম্নরগা মীতৈ খক্তদা অতম্ননা লান্দাবনি। মণিপুরদা, মীতৈ লৈবাক্তা লৈবা লূপকী মনুংদা করম্বা লূপ্তা খূৎ থাই মীতৈ খক্তদা নত্তনা। মসিগী থৌইনশিলনা নরেন্দ্র মোদি অমদি অমিট শাহনি।

খোংজাই কুকি হায়রিবা অসিনা মীতৈ লৈবাক্তা লৈরিবা মখৈ মীতৈগী মিত্তা হেক উরিবা মখৈ মীতৈগী পূক্নিংদা ঈংথবা (শান্তি) হায়বদু লৈরোই। মীতৈনা পূক্নিং ঈংথনা লৈগদবদি খোংজাই হায়বা হৌজিক্কী কুকি হায়বা অসি মীতৈ লৈবাক অসিদা মৈত্রবাকসিদা মচা মনাও মরূ-মরা অমত্তা লৈত্রবা মতমদতা মীতৈগী পূক্নিং ঈংথবা হায়বদু ওইগনি।

অমনা খোংজাই কুকিশিংনা মীতৈ ঐখোয়গী ইপা-ইপুশিং, ইচিল-ইনাওশিংবু মীহাৎ থীনা হাৎখ্রিবা অদুম্না মীতৈনা কুকি ২০/৩০দং হাৎতুনা লমন খুল্লবা মতমদুদা মীতৈ পূক্নিং খরা ঈংথগনি, শান্তি লৈগনি। ফত্তবা তৌরকপা মখোয়দা লমন খুম্বা ওইনা। চেঙ পুরুবদি চেঙ শিংদোকখ্রগা, ফৌ পুরবদি ফৌ শিংদোকখ্রবদি মীগী লমন তোন্দ্রে হায়দুনা হরাওগদৌবনি। অদুবু মসিগী লমন খুমগদৌববু ইন্দিয়া লৈঙাক্কী সিফাইশিংনা খোংজাই কুকি কৌবা শাগা লোয়নরগা খূৎশম্নদুনা মথৌ নত্তনা মথৌ শাদুনা পনওইনা ঙাকখিবনা মীতৈ পাঙ্গল থোক্তবনি।

হান্না চহীখরগী মমাঙদা মীতৈ নিংথৌনা চংজফম পীরগা খোংজাই কৌবা মখোয়গা লোন্দিন্নরে খল্লুবা মীতৈনা মখোয়দি হৌজিক্কী লম হেল্লবা কুকিশিংগা অমত্তনি। মরম অদুনা খোংজাই কুকি অমত্তা মণিপুরগী মফম অমত্তদা লৈহল্লোইদবনি। মখোয়গী লৈফম নত্তে, মীতৈ লৈবাক্তা, মণিপুরদা। মখোয়গা মীতৈগা লৈমিন্নফম শুংথোক থোক্তে। হান্না মতম খরগী মমাঙদা লৈমিন্নরম্লবসু হৌজিক্তি মীতৈ খোংজাই য়েক্লবা ওইরে। খোংজাই কুকিগা হান্নবা লোন্দিন্নরম্লবসু হৌজিক্তি মায় ওনশিন্নররোইসি। শারিঙৈদা য়ৈহৌরসি। ঈংথখ্রবদি অমুক শাগৎহনবদা মতম চংবনি। কাঙ্খদা লিন চঙলবা, লিন অদু হাত্তোকপা নৎত্রগা তান্থোকখিবা নত্তনা করম্না ফমুংদা নুংঙাইনা হিপ্পা য়াগনি? ঐনা ফমুংদুদা নুংঙাইনা হিপকদৌরিবনিনা কাঙ্খদা লৈরিবা লিন অদু শোয়দনা হাৎতোক্কদৌবনি/শোয়দনা তান্থোকখিগদৌবনি/কুকি নার্কো টেররিষ্টশিং অসিনা ঐখোয়গী লৈবাক অসিদা লৈরিবা মখৈদি খুজিন্দা তুম চঙবগুম শুকনুং নুংঙাইররোই। খুজিলগী তুম শতোক্লগা নুংঙাইবগুম কুকি নার্কো টেররিষ্ট হাত্তোক্লগা/তান্থোক্লগা ফগদৌবনি। ●

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৯**

১) ‘‘**গর্গ-সংহিতা : মাধুর্য্য-খণ্ডম্**’’ হায়বা লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা ইথোকপগে?
২) ‘‘**মঙাল য়াওদ্রবা নুংথিল**’’ হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?
৩) ‘‘**এংগল্ কয়াদগী লৌদুনা য়েক্লবা**
**নঙগী শক্তম্শিংনা অৱাঙ্বা কলাগী**
**খূদোল্ ওইনা চীংলেম্না মফম কল্লি**
**মালেম্গী মচি মচিদা লৈরিবা আর্ট গেলেরিশিংদা।**’’ শৈরেং মতেক অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে?
৪) ‘‘**মল্লবা খাঙপোকশঙ**’’হায়রিবা লাইরিক অসি মণিপুরগী মপানগী অইবা অমগী লাইরিক্লি। অইবসি কনানো?
৫) ‘‘**নুপী অমসুং মমিশিং**’’ হায়বা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্লো অমসুং লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোংঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।